# মাইক্রোফাইনান্স পলস

ভোল. 9 – জুলাই 2021



# এনালাইতিকেল কন্তেক্ত

## Equifax

কিরন সমুদ্রলা

VP – এনালাইতিক্স

kiran.samudrala@equifax.com

শ্রুতি জোশী

AVP – এনালাইতিক্স

shruti.joshi@equifax.com

বন্দনা পঞ্চাল

Sr. Ex. – এনালাইতিক্স

vandana.panchal@equifax.com

## SIDBI

কাইলাশ চন্দর ভানু

CGM-CS&RV-ERDA

erdav@sidbi.in

রঙ্গদাস প্রভাবতী

DGM-CS&RV-ERDA

erdav@sidbi.in

রমেশ কুমার

AM-CS&RV-ERDA

rameshk@sidbi.in

# ইন্দেক্স


❯ মপুং ওইবা ৱারোল 04

❯ এব্রিভিএসন অমসুং গ্লোসরী 05

❯ মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শন্নপ্পা ৱারোল 06

❯ শেনফম য়েন্থোকপগী চৎনবী 09

❯ ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল 12

❯ জিওগ্রাফিকেল এক্সপোজর 14

❯ রাজ্যগী মপুং ওইবা প্রোফাইলঃ কর্নাতকা 17

❯ এস্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তশিং 22

❯ COVID-19 অমসুং জিও-ত্রেন্দ 24

# মপুং ওইবা ৱারোল

COVID-19না সপ্লাই চেন অমসুং কারবারগী থবকশিংদা অয়েৎপা পীবা কয়ানা মরম ওইরগা, মরু ওইনা চাগা নেম্বা কাংলুপশিংদা, মাইক্রোফাইনান্স সেক্তরদা শাথীনা চৈনা পীরি। মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী 9শুবা চেফোং, মার্চ 31, 2021 ফাওবগী দেতা পীশিল্লকপদা য়ুম্ফম ওইবা, অসিনা মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী চৎনবী অমসুং চাউখৎপগী ফিভম তাক্লি।

মার্চ 31, 2021 ফাওবগী বুক সাইজ অসি লুপা করোর 249,277নি অমসুগ মসিগী মনুংদগী বেঙ্ক অমসুং NBFC-MFIশিংনা পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংগী 75% তেংবাংলি। মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা মার্চ 2020দগী মার্চ 2021 ফাওবদা পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা 18%গী Y-o-Y গ্রোথ লৌবগী ফিভম উত্তুনা মসিগী নিংহন্নবা নাইদবা অমসুং অমুক্কা হন্না ফগৎলকপগী মওং উত্তুনা COVID মমাংগী ফিভমদা হল্লক্লি। শেল পুহনবশিংগী কাংলুপ্তগী, বেঙ্কশিংনা মার্কেত শেয়র্দা চাং নাইনা হেনগত্তুনা 36%গী খ্বাইদগী ৱাংবা Y-o-Y গ্রোথ লৌখি।

মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা JFM’ 21গী মনুংদা লুপা করোর 93,100গী শেনফমগী লোন থাদোকখি। JFM’ 20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা লোন থাদোকপগী ভোল্যুম্না 17% অমসুং ভেল্যুনা 26%গী Y-o-Yগী গ্রোথ লৌখি। লোন থাদোকপদা বেঙ্কনা ক্বার্তর খুদিংদা খ্বাইদগী য়াম্না তেংবাংখি। লোন থাদোকখিবগী মশিং অমসুং ভারত পুম্বগী ATSনা OND’ 20দগী JFM’ 21দা 19%গী গ্রোথ লৌখি।

ইন্দস্ত্রী অসিগী শেল খোম্বা হেনগৎলকপগা লোয়ননা, এক্তিব লোন দেলিঙ্কেন্সী বক্কেৎনা দিসেম্বর 2020গা চাংদম্নবদা মার্চ 2021দা ফিভম য়াম্না ফগৎলকখি।

নোংচুপ বেঙ্গোলনা 18%গী ইন্দস্ত্রী গ্রোথতগী হেন্দুনা 25% Y-o-Y গ্রোথকা লোয়ননা খ্বাইদগী ৱাংবা POS লৈদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। মহারাস্ত্রনা মার্চ 2020দা 5শুবা থাক্তা লৈরম্বদগী মার্চ 2021দা 6শুবা থাক্তা লৈখ্রে। কর্নাতকা নত্তনা, মকোক থোংবা রাজ্য খুদিংগী 90+ দেলিঙ্কেন্সীনা মার্চ 2020গা চাংদম্নবদা মার্চ 2021দা হেনগৎখি।

ঐখোয়না MFI দা মকোক থোংবা রাজ্যদা মিৎয়েং চঙবগী থৌওং মখা চখবা ওইনা, হন্দক্কী চেফোংসিদা কর্নাতকা রাজ্যগী পাক-শনবা স্তেত প্রোফাইল পুরক্লি। মার্চ 31, 2021 ফাওবদা কর্নাতকাগী পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংনা লুপা করোর 20,330দা লৈখি অমসুং মার্চ 2020দগী মার্চ 2021 ফাওবদা 16%গী Y-o-Y গ্রোথ লৌখি। কর্নাৎকা রাজ্যগী লোন পীবগী ভোল্যুম্না JFM’ 20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা 12%গী Y-o-Y গ্রোথ লৌখি। কর্নাতকা রাজ্যগী মপুং ওইবা 90+ দেলিঙ্কেন্সীনা মার্চ 2020দা 2.41% ওইরম্বদগী মার্চ 2021দা 1.73%দা হন্থখি।

COVID ইরাং অমসুং অৱাং, খা, নোংপোক অমসুং নোংচুপকী তোঙানবা জোনশিংদা চৈথেং পীবশিং হন্দক্কী চেফোঙসিদা তাক্লি, শেল পীথোকপদা খ্বাইদগী য়াম্না তেংবাংলিবা অসি পীথোকখিবা অপুনবা শেনফমগী 45% ওইদুনা নোংপোক জোন্দগীনি। বেঙ্কশিংনা পীথোকখিবা শেনফমশিংগী মার্কেত শেয়রনা জোন খুদিংগী ওইনা মার্চ 2020দগী মার্চ 2021দা হেনগৎখি। খা জোন্না JFM’ 20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা 13%গী খ্বাইদগী য়াম্বা Y-o-Y ATS গ্রোথ লৌখি।

# এব্রিভিএসন অমসুং গ্লোসরী

- ATS (এভরেজ তিকেৎ সাইজ) = পীথোক্লবা শেনফম/লোন মশিং
- DPD = হেন্দোক্লবা নুমিৎ মশিং
- Live POS নত্ত্রগা শেল পুরীবা মী নত্ত্রগা এক্তিব লোন = 0 দগী 179 DPD + অনৌবা একাউন্ত + হৌজিক লৈরিবা একাউন্ত
- MFI = মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসন
- POS = পোর্তফোলিও আউৎস্তেন্দিং
- UT = য়ুনিয়ন তেরিতোরী
- এস্পিরেস্নেল জিলাশিং (AD) – হেল্থ অমসুং ন্যুত্রিসন, এজুকেসন, লৌউ-শিংউ অমসুং ঈশিং ফংফমশিং, শেল-থুমগী হীরমগী মনুং চনবা, স্কিল দিভেলপমেন্ত অমসুং চঙদবা য়াদবা ইনফ্রাস্ত্রকচরগুম্বা কম্পোজিৎ ইন্দিকেতরদা য়ুম্ফম ওইদুনা হ্যুমেন দিভেলপমেন্ত ইন্দেক্স হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা জনুৱারী 2018দা GoIগী NITI Aayogনা শকখঙলবা জিলাশিং (হৌজিক-হৌজিক 117 লৈরি)

- 1-179 = 1 দগী 179 DPD/Live POS
- 1-29 = 1 দগী 29 DPD/Live POS
- 30-59=30 দগী 59DPD/Live POS
- 60-89=60 দগী 89DPD/Live POS
- 90-179 = 90 দগী 179 DPD/Live POS
- 30+ দেলিঙ্কেন্সী = 30-179 DPD/Live POS
- 90+ দেলিঙ্কেন্সী = 90-179 DPD/Live POS


- JFM' 20 = জনুৱারী 2020 দগী মার্চ2020
- AMJ' 20 = এপ্রিল 2020 দগী জুন2020
- JAS' 20 = জুলাই 2020 দগী সেপ্তেম্বর2020
- OND' 19 = ওক্তোবর 2020 দগী দিসেম্বর2020
- JFM' 21 = জনুৱারী 2021 দগী মার্চ2021

# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শম্লপ্পা ৱারোল



# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রী স্নেপশোৎ

## মার্চ 31, 2021 ফাওবগী





| 31 মার্চ 2021 ফাওবগী স্নেপশোৎ | বেঙ্কশিং | SFBশিং | NBFC-MFIশিং | NBFCশিং | শেন্দোং নত্তবা MFI | অপুনবা ইন্দস্ত্রী |
|---|---|---|---|---|---|---|
| তোপ-তোপ্পা লাইব বোরোৱরশিং ('000) | 27,359 | 13,531 | 24,700 | 7,297 | 846 | 73,733 |
| এক্তিব লোনশিং ('000) | 41,529 | 16,779 | 36,368 | 7,866 | 1,108 | 103,650 |
| পোর্তফোলিও (`করোর) | 109,867 | 38,903 | 79,420 | 18,992 | 2,095 | 249,277 |
| য়েন্থোক্লবা শেনফমশিং (`করোর) - JFM' 21 | 48,665 | 11,603 | 27,395 | 4,671 | 766 | 93,100 |
| এভরেজ তিকেৎ সাইজ (`) - JFM' 21 | 43,417 | 36,993 | 35,223 | 41,256 | 32,037 | 39,627 |
| 30+ দেলিঙ্কেন্সী (POS) | 10.63% | 8.06% | 7.15% | 10.56% | 1.72% | 9.04% |
| 90+ দেলিঙ্কেন্সী (POS) | 4.81% | 3.51% | 3.33% | 5.06% | 0.95% | 4.12% |

- MFIগী পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংনা মার্চ 2021দা করোর 249,277 ওইখি
- বেঙ্কশিং অমসুংNBFC-MFIশিংনা POSতা তেংবাংবগী চাংনা 75% হেনখি
- JFM' 21দা শেল য়েন্থোকখিবসি লুপা করোর 93,100 ওইখিবদা বেঙ্কশিংদগী 52% অমসুং NBFC-MFIশিংদগী 29% ওইখি
- NBFC-MFIশিং, SFBশিং অমসুং শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিংগী 30+ অমসুং 90+ দেলিঙ্কেন্সীনা ইন্দস্ত্রী দেলিঙ্কেন্সীদগী তাখি

**খঙজিনগদবাঃ** MFIগী কাঙলুপ্তা তোপ তোপ্পা লাইব বোরোৱর করোর ~6 লৈ। তোপ তোপ্পা কস্তমরশিংগী মশিংদা খেৎনবা লৈরিবা অসি কস্তমরশিংনা বেঙ্ক, SFB, NBFC-MFI, NBFC অমসুং শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিংগা অমদগী হেনবা মরী

# মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীগী শল্লপ্পা ৱারোল

**শেল পুহনবা মখলগী মখা পোনবা মার্কেত শেয়র ত্রেন্দ**




| মরোলশিং | মার্চ 20 | জুন 20 | সেপ 20 | দিসেম 20 | মার্চ 21 |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 81,001 | 91,920 | 93,409 | 96,683 | 109,867 |
| SFBশিং | 38,986 | 39,225 | 42,682 | 38,109 | 38,903 |
| NBFC-MFIশিং | 72,110 | 71,342 | 70,142 | 73,166 | 79,420 |
| NBFCশিং | 18,073 | 19,875 | 19,838 | 18,988 | 18,992 |
| শেন্দোং নত্তবা MFIশিং | 1,679 | 1,842 | 1,772 | 1,872 | 2,095 |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | 211,849 | 224,204 | 227,843 | 228,818 | 249,277 |
| Q-o-Q গ্রোথ রেৎ % | - | 6% | 2% | 0% | 9% |

- MFI ইন্দস্ত্রীনা COVID মমাংগী ফিভমদা হল্লক্লি। ইন্দস্ত্রীনা দিসেম্বর 2020দগী মার্চ 2021 ফাওবদা 9%গী Q-o-Q গ্রোথ লৌখি অমসুং মার্চ 2020দগী মার্চ 2021 ফাওবদা 18%গী Y-o-Y গ্রোথ লৌখি।
- শেল পুহনবগী কাংলুপ্তা, বেঙ্কশিংনা মার্কেত শেয়র লেপ্তুনা হেনগত্তুনা 36%গী Y-o-Y গ্রোথ লৌখি।
- NBFC-MFIশিং and SFBশিংগী মার্কেত শেয়র্না মার্চ 2020দগী মার্চ 2021 ফাওবদা চাউরাক্লা 2%গী চাংদা হন্থখি


# শেল য়েন্থোকপগী চংনবী




Powering the World with knowledge ™

# ইন্সতিত্যুসনগী ওইবা শেল য়েন্থোকপগী চৎনবী

**শেল পুহনবা মখলগী মখা পোনবা মার্কেত শেয়র ত্রেন্দ**





**লোন পীথোকখিবা মশিং (লাখতা)**

| লেন্দর মখল | JFM‘20 | AMJ‘20 | JAS'20 | OND' 20 | JFM' 21 |
|---|---|---|---|---|---|
| বেঙ্কশিং | 83 | 14 | 47 | 102 | 112 |
| SFBশিং | 31 | 5 | 12 | 20 | 31 |
| NBFC-MFIশিং | 73 | 2 | 33 | 65 | 78 |
| NBFCশিং | 11 | 1 | 5 | 8 | 11 |
| শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | 3 | 1 | 2 | 2 | 3 |
| অপুনবা ইন্দস্ত্রী | 201 | 23 | 99 | 197 | 235 |

- JFM’20দগী JFM’21দা 26%কী Y-o-Y গ্রোথ লৈদুনা JFM’21দা শেল পীথোকখিবনা লুপা করোর 93,1০০ ওইখি
  বেঙ্কশিংনা ক্কার্তর খুদিংদা শেল পীথোকপা খ্বাইদগী হেনখি
  লোন পীবগী চাংনা JFM’ 20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা 17%গী চাংদা হেনগৎখি
- বেঙ্কশিংনা শেল পীথোকপগী ভোল্যুম্না JFM’ 20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা 35%গী চাংদা হেনগৎখি
-
-

# ইন্দস্ত্রী তিকেৎ সাইজকী চৎনবী




লোন পীথোকখিবা মশিং (লাখতা)

| Ticket Size | JFM‘20 | AMJ‘20 | JAS'20 | OND' 20 | JFM'21 | Y-o-Y growth rate % |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 0K-10K | 9 | 2 | 4 | 34 | 19 | 111% |
| 10K-20K | 12 | 10 | 16 | 20 | 19 | 58% |
| 20K-30K | 46 | 2 | 18 | 33 | 39 | -15% |
| 30K-40K | 63 | 3 | 24 | 44 | 59 | -6% |
| 40K-50K | 33 | 2 | 18 | 29 | 38 | 15% |
| 50K-60K | 19 | 2 | 10 | 18 | 28 | 47% |
| 60K Plus | 19 | 2 | 9 | 19 | 33 | 74% |
| অপুনবা | 201 | 23 | 99 | 197 | 235 | 17% |
| Q-o-Qলোন পীবগী গ্রোথ রেত% | - | -89% | 330% | 99% | 19% | - |
| ভারত পুম্বগী ATS (`) | 36,723 | 28,577 | 35,519 | 33,190 | 39,627 | - |
| Q-o-Q ATS গ্রোথ রেত % | - | -22% | 24% | -7% | 19% | - |


JFM' 21গী মনুংদা অপুনবা লোনগী 42%গী শরুক ওইবা 20k দগী 40k ফাওবগী তিকেৎ সাইজকী অপুনবা লোং লাখ 98 পীথোকখি, 0k-10k তিকেৎ সাইজনা 111%গী খ্বাইদগী ৱাংবা Y-o-Yগী গ্রোথ লৌখি

OND' 20 দগী JFM' 21ফাওবদা লোন পীথোকপা অমসুং ভারত পুম্বগী ATSনা 19%গী গ্রোথ লৌখি

EQUIFAX

sidbi


# ইন্দস্ত্রী রিস্ক প্রোফাইল




EQUIFAX Powering the World with knowledge ™

# দেলিঙ্কেন্সীগী চৎনবী

হেন্দোক্লবা নুমিত্তা মখা পোনবা দেলিঙ্কেন্সী




হেন্দোক্লবা নুমিৎকী মখা পোনবা দেলিঙ্কেন্সী

| পাউদমগদবা ক্বার্তর | নুমিৎ 1-29হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 30-59 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 60-89 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 90-179 হেন্দোক্লবা | নুমিৎ 1-179 হেন্দোক্লবা |
|---|---|---|---|---|---|
| Mar' 20 | 2.06% | 0.50% | 0.42% | 0.86% | 3.84% |
| Jun' 20 | 1.30% | 1.03% | 0.43% | 0.43% | 3.20% |
| Sep' 20 | 15.35% | 3.47% | 0.39% | 0.63% | 19.83% |
| Dec' 20 | 7.50% | 4.73% | 3.49% | 4.96% | 20.68% |
| Mar' 21 | 4.55% | 2.90% | 2.01% | 4.12% | 13.59% |

- নুমিৎ 1-179 হেন্দোক্লবা দেলিঙ্কেন্সীনা দিসেম্বর 2০2০দা 2০.68% ওইরম্বদগী মার্চ 2021দা 13.59%দা হন্থখি
- নুমিৎ 1-29 হেন্দোক্লবা দেলিঙ্কেন্সী বক্কেৎনা দিসেম্বর 2০2০গা চাংদম্নবদা 3% হন্থখি
- নুমিৎ 60-89 হেন্দোক্লবা দেলিঙ্কেন্সী বক্কেৎনা মার্চ 2021দা খ্বাইদগী নেম্বা দেলিঙ্কেন্সী ওইখি

খঙজিনগদবাঃ দেলিঙ্কেন্সীশিং অসি POSতা য়ুম্ফম ওইরগা হোৎপনি

# জিওগ্রাফিকেল এক্সপোজর



# রাজ্য মকোক 10গী পোর্তফোলিও চৎনবী

| মকোক্কী রাজ্য 10 | মার্চ 20 পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিং (`করোর) | রেঙ্ক | মার্চ 21 পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিং (`করোর) | রেঙ্ক | Y-o-Y গ্রোথ % |
|---|---|---|---|---|---|
| নোংচুপ বেঙ্গোল | 29,858 | 1 | 37,201 | 1 | 25% |
| তমিল নাদু | 27,077 | 2 | 31,248 | 2 | 15% |
| বিহার | 25,427 | 3 | 28,997 | 3 | 14% |
| কর্নাতকা | 17,594 | 4 | 20,330 | 4 | 16% |
| মহারাস্ত্রা | 15,352 | 5 | 17,224 | 6 | 12% |
| উত্তর প্রদেশ | 14,478 | 6 | 18,011 | 5 | 24% |
| ওরিশা | 12,489 | 7 | 14,178 | 8 | 14% |
| মধ্য প্রদেশ | 12,354 | 8 | 15,006 | 7 | 21% |
| অসম | 11,025 | 9 | 10,498 | 10 | -5% |
| রাজস্থান | 8,590 | 10 | 11,085 | 9 | 29% |
| মকোক্কী রাজ্য 10 | 174,244 | - | 203,778 | - | 17% |
| অতোপ্পশিং | 37,605 | - | 45,499 | - | 21% |
| ইন্দস্ত্রী | 211,849 | - | 249,277 | - | 18% |


- মার্চ 2020 অমসুং মার্চ 2021গী মনুংদা POS তা 80%গী চানহ হেন্না তেংবাংলিবা অসি মকোক্কী রাজ্য 10ননি
- নোংচুপ বেঙ্গোলনা 25%গী Y-o_Yকী গ্রোথ লৈদুনা খ্বাইদগী রাংবা POS ওইরি অমসুং মসিনা 18%গী ইন্দস্ত্রী গ্রোথতগী হেল্লি
- মহারাস্ত্রনা মার্চ 2020দা 5শুবা থাক্তা লৈরম্বদগী মার্চ 2021দা 6শুবা থাক্তা লৈরে

খঙজিনগদবাঃ মকোক্কী রাজ্য 10 অসি মার্চ 2020গী POS তা যুক্ফম ওইরগা খনবনি

# রাজ্য 10গী

# 90+

# দেলিঙ্ক্বেন্সী চৎনবী




- মার্চ 2021 ফাওবগী অসম, নোংচুপ বেঙ্গোল অমসুং মহারাস্ত্রাগী 90+ দেলিঙ্ক্বেন্সীনা ইন্দস্ত্রী দেলিঙ্ক্বেন্সীদগী হেল্লি
- কর্নাতকা নত্তনা, মকোক্কী রাজ্যশিংগী 90+ দেলিঙ্ক্বেন্সীনা মার্চ 2020গা চাংদম্নবদা মার্চ 2021দা হেনগৎলি

খঙজিনগদবাঃ মকোক্কী রাজ্য 10 অসি মার্চ 2020গী POS
তা য়ুম্ফম ওইরগা খনবনি

POSতা য়ুম্ফম ওইরগা দেলিঙ্ক্বেন্সী হোৎপনি


# কর্নাতকা রাজ্যগী পাক-শনবা প্রোফাইল




# কর্নাতকা

# রাজ্যগী শক্তম


এক্তিভ লোন (000)




পোর্তফোলিও(`করোর)




য়েন্থোক্লবা শেনফম (`করোর) -JFM'21




বেঙ্কশিং SFBশিং NBFC-MFIশিং NBFCশিং শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং

| কর্নাতকাগী মার্চ31,2021 ফাওবদা | বেঙ্কশিং | SFBশিং | NBFC-MFIশিং | NBFCশিং | শেন্দোংগী নত্তবা MFIশিং | অপুনবা ইন্দস্ত্রীশিং |
|---|---|---|---|---|---|---|
| এক্তিভ লোন ('000) | 2,612 | 1,351 | 3,844 | 868 | 1 | 8,676 |
| পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিং (`করোর) | 5,455 | 3,059 | 9,734 | 2,078 | 4 | 20,330 |
| পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংদা লৈবা মার্কেৎ শেয়র | 27% | 15% | 48% | 10% | 0% | - |
| য়েন্থোক্লবা শেনফম (`করোর) - JFM' 21 | 2,532 | 914 | 3,584 | 524 | 1 | 7,555 |
| এভরেজ তিকেৎ সাইজ (`) - JFM' 21 | 33,933 | 37,389 | 38,315 | 41,603 | 44,856 | 36,814 |
| 30+ দেলিঙ্কেন্সী (POS) | 3.48% | 5.71% | 3.02% | 6.29% | 1.77% | 3.88% |
| 90+ দেলিঙ্কেন্সী (POS) | 0.87% | 2.71% | 1.72% | 2.62% | 0.49% | 1.73% |

- মার্চ ৩১, ২০২১ ফাওবগী কর্নাতকাগী পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংনা করোর ২০,৩৩০ লৈখি
- NBFC-MFIশিংনা পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংদা ৪৮% লৈদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা মার্কেৎ শেয়র লৈখি
- JFM' 21গী মনুংদা কর্নাতকাদা লুপা করোর ৭,৫৫৫কী লোন য়েন্থোকখি
- NBFC, NBFC-MFI, SFB অমসুং শেন্দোংগী নত্তবা MFIগী ATSনা কর্নাতকাগী বেঙ্কগী ATSতগী হেনখি অমসুং শেন্দোং নত্তবা MFIনা ১%দগী তাথবা ৯০+ দেলিঙ্কেন্সী লৈখি

# কর্নাতকাগী শেল
# পীথোকপগী চৎনবী


লোন থাদোকখ্রবা মশিং ('000 দা)

| তিকেৎ সাইজ | JFM‘ 20 | AMJ‘ 20 | JAS' 20 | OND' 20 | JFM’ 21 |
|---|---|---|---|---|---|
| 0K-10K | 253 | 21 | 94 | 232 | 185 |
| 10k-20k | 231 | 94 | 188 | 159 | 193 |
| 20k-30k | 375 | 10 | 137 | 267 | 347 |
| 30k-40k | 480 | 16 | 200 | 398 | 496 |
| 40k-50k | 272 | 9 | 152 | 242 | 326 |
| 50k-60k | 135 | 6 | 82 | 173 | 226 |
| 60k Plus | 83 | 4 | 98 | 236 | 278 |
| Total | 1,829 | 160 | 951 | 1,707 | 2,051 |

- কর্নাতকা রাজ্যগী লোন পীবগী ফিভম্না JFM’ 20 দগীJFM’ 21 ফাওবদা ১২%গী Y-o-Y গ্রোথ লৌখি
- AMJ’ 20 নত্তনা ক্বার্তর খুদিংমক্তা 30k-40k কী তিকেৎ সাইজকী লোন থাদোকপগী মশিংনা খ্বাইদগী য়ামখি

# কর্নাতকাগী পোর্তফোলিও


# চৎনবী




- কর্নাতকাগী পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংনা মার্চ ২০২০দগী মার্চ ২০২১দা ১৬%গী চাং হেনগৎখি
- পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংদা খ্বাইদগী ৱাংবা মার্কেত শেয়র NBFC-MFIনা ক্বার্তর খুদিংদা ওইখি অমসুং বেঙ্কশিংনা মতুং ইনখি
- বেঙ্ককী মার্কেত শেয়রশিং হেনগৎলক্লি। মসিনা মার্চ ২০২০দা ২০% ওইরম্বদগী মার্চ ২০২১দা ২৭% য়ৌখি।

# কর্নাতকাগী দেলিঙ্ক্বেন্সী চৎনবী

90+ দেলিঙ্ক্বেন্সী




- কর্নাতকাগী ৯০+ দেলিঙ্ক্বেন্সীনা মার্চ ২০২০গা চাংদম্নবদা মার্চ ২০২১দা ফগৎখি। মসিনা মার্চ ২০২০দা ২.৪১% ওইরম্বদগী মার্চ ২০২১দা ১.৭৩% দা হন্থখি।

- বেঙ্কশিংগী ৯০+ দেলিঙ্ক্বেন্সীনা মার্চ ২০২০দা ৩.১৪% ওইরম্বদগী মার্চ ২০২১দা ০.৮৭% দা হন্থখি।

**খঙজিনগদবাঃ** দেলিঙ্ক্বেন্সীশিং অসি POSতা যুম্ফম ওইরগা হোৎপনি

# এস্পিরেস্নেল জিলা




# এস্পিরেস্নেল জিলা


# মার্চ 2021গী

# শল্লপ্পা ৱারোল

পোর্তফোলিও (`করোর)





শেন য়েস্থোকপা (`করোর) – এপ্রিল 20 দগী মার্চ 21




বেঙ্কশিং SFBশিং NBFC-MFIশিং NBFCশিং শেন্দোং নত্তবা MFIশিং

লেন্দর কাঙলুপকী মতুং ইনবা **30+** অমসুং **90+ POS** দেলিঙ্কেন্সী




| এস্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তকী গ্রোথকী মরোল | দিসেম্বর 2017 | মার্চ 2021 | গ্রোথ% |
|---|---|---|---|
| এক্তিব কস্তমর পেনেত্রেসন ('000) | 4,155 | 8,544 | 106% |
| য়েস্থোক্লবা শেনফম (`করোর) | 14,374 * | 27,397 ** | 91% |
| এক্তিব লোন ('000) | 6,925 | 13,681 | 98% |
| পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিং (`করোর) | 11,175 | 31,856 | 185% |
| 30+ দেলিঙ্কেন্সী | 1.54% | 7.68% | - |
| 90+ দেলিঙ্কেন্সী | 0.75% | 3.32% | - |

এস্পিরেস্নেল দিস্ত্রিক্তশিংগী মার্চ ৩১, ২০২১ ফাওবদা

- পোর্তফোলিও আউতস্তেন্দিংনা বেঙ্কশিংগী 43% অমসুং মতুং ইন্দুনা NBFC-MFIগী 35%গী শেয়র ওইদুনা করোর ৩১,৮৫৬নি৷
- NBFCগী 30+ অমসুং 90+ দেলিঙ্কেন্সীনা খ্বাইদগী ৱাংখি অমসুং বেঙ্কশিংনা তুং ইনখি
  দিসেম্বর 2017দগী মার্চ 2021 ফাওবদা POS না 185% অমসুং শেল য়েস্থোকপনা 91% হেনগৎখি

**খঙজিনগদবাঃ** দেলিঙ্কেন্সীশিং অসি POSতা য়ুক্ফম ওইরগা হোৎপনি

# COVID-19 অমসুং জিও ট্রেন্দ




# জোনশিংগী মার্কেত শেয়র

মাইক্রোফাইনান্স সেক্তরদা COVID-19গী চৈথেং থিদোক্লবগীদমক্তা, লেন্দরশিংগী মার্কেৎ শেয়র অমসুং তোঙানবা জোনশিংগী এভরেজ তিকেৎ সাইজকী মখা পোন্না জোন খুদিংমক্কী শেল পীথোকপগী চৎনবী য়েংশিনখি। লেন্দরশিংনা পীরকপা দেতাদা য়ুম্ফম ওইরগা জোনশিংগী ৱাহন্থোক পীখি। Y-o-Yগী মখা পোনবা দেতাশিংবু JFM’20 বু COVID মমাংগী মতম হায়না খন্নদুনা দেতাশিং চাংদম্নখি।

জোনশিংগী ওইনা মার্কেত শেয়রদা য়ুম্ফম ওইদুনা পীথোকখিবা শেনফম


**JFM' 20**

**য়েন্থোকখিবা শেনফম `73,736 করোর**




**JFM' 21**

**য়েন্থোকখিবা শেনফম `93,100 করোর**





নোংপোক নোংচুপ অৱাং খা

- শেল খ্বাইদগী য়াম্না পীথোকখিবা অসি অপুনবা পীথোকখিবা শেনফমগী ৪৫% ওইদুনা নোংপোক জোন্না ওইখি
- অৱাং জোন্না ১% হেনগত্তুনা অমসুং খা জোন্না ১% হন্থদুনা জোনশিংগী ওইনা মার্কেৎ শেয়রগী মপুং ওইবা চৎনবীনা JFM’20গা মান্নখি।

**খঙজিনগদবা:** নোংপোক জোন –অরুনাচল প্রদেশ, অসম, বিহার, ছতিসগর, ঝার্খন্দ, মনিপুর, মেঘালয়, মিজোরম, নাগালেন্দ, ওরিশা, সিক্কিম, ত্রিপুরা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোল
নোংচুপ জোন- দদ্রা অমসুং নগর হবেলী, দামন অমসুং দ্যু, গোৱা, গুজরাত, মধ্য প্রদেশ, মহারাস্ত্রা অমসুং রাজস্থান
অৱাং জোন – চন্দিগর, হরিয়ানা, দিল্লী, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু অসুং কশ্মির, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরাখন্দ
খা জোন - অন্দমান অমসুং নিকোবর ইথৎ, আন্ধ্র প্রদেশ, কর্নাতকা, কেরলা, লক্ষদ্বীপ, পোন্দিচেরী, তমিল নাদু অমসুং তেলঙ্গানা

# জোন অমসুং লেন্দরশিংগী মার্কেত শেয়র


**জোন অমসুং লেন্দরগী মার্কেত শেয়র্দা যুক্ষম ওইবা য়েন্থোকখিবা শেনফম**




- মার্কেত শেয়রনা অৱাং জোন্না ৭%গী খ্বাইদগী য়াম্বা গ্রোথ লৌদুনা জোন খুদিংগী ওইনা মার্চ ২০২০দগী মার্চ ২০২১ ফাওবদা হেনগৎখি। বেঙ্ক নত্তনা, NBFC-MFIনা খা জোন্দা মার্কেত শেয়রদা গ্রোথ
- অমত্তা লৌবা ঙমখিদে।

# এভরেজ তিকেত সাইজকী চৎনবী

জোনশিংগী ওইবা এভরেজ তিকেত সাইজকী চৎনবী




- খা জোন্না JFM’20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা ১৩%গী খ্বাইদগী ৱাংবা Y-o-Y গ্রোথ লৌখি
- অৱাং জোনগী ATSনা JFM’ 20 দগী JFM’ 21 ফাওবদা ৯% হেনগৎখি

## এস.আই.দি.বি.আই.গী মরমদা ৱারোল খরা

স্মোল ইন্দস্ত্রীজ দিভেলপমেন্ত বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অসি ইং ১৯৯০গী পার্লিয়ামেন্তকী এক্ত অমগী মখাদা লিংখৎখিবনি। এস.আই.দি.বি.আই. অসিবু খুমাং চাউশিলহনবা, সজেল থাদবা অমসুং এম.এস.এম.ই. চাউখৎহন্নবা হীরম অহুমগী থবকশিং পাংথোক্লবা অমসুং পনখ্রিবা হীরমশিং অসিগা মরী লৈনবা ইন্সতিত্যুসনশিংগী মথৌশিংবু য়েংশিন্নবগীদমক্তা প্রিন্সিপল ফাইনেন্সিএল ইন্সতিত্যুসন অমা ওইনা থবক তৌবগী কাঙলোন য়াওরি। চহি কয়াগী মনুংদা, শেল থুমগী অমসুং চাউখৎপগী তোঙান-তোঙানবা খোঙথাংশিংগী খুখাংদা বেঙ্ক অসিনা খুন্নাই কয়াগী মীওই কয়া অমগী পুন্সি অমসুং এম.এস.এম.ই.গী ইকোসীস্তেমগী মনুং চনবা ইন্তর্প্রাইস কয়াদা অফবা চৈথেং পীদুনা লাক্লি।

এস.দি.বি.আই.না ভিজন ২.০গী মখাদা মাইক্রোফাইনান্স পল্সকী মথক্তা এম.এস.এম.ই.গী হেল্থ ত্রেক্কর ওইরিবা এম.এস.এম.ই. পল্স, এম.এস.ই.গী ৱাখল্লোন অমসুং অপাম্বশিং খঙনবা, ক্রিসিদেক্স, ইন্দস্ত্রী সেক্তরশিংগী পাক-শনবা পাউদম, ইন্দস্ত্রী স্পোৎলাইৎ অমসুং ফিন্তেক লেন্দিং সেগমেন্তকী ক্রেদিৎ দেতাগী মরমদা খঙহন্নবা ফিন্তেক পল্সকুম্বা এম.এস.এম.ই.গী সেক্তরশিংদা লৈরিবা ই-পাউগী এসিমিত্রী অসিবু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক্তা তোঙান-তোঙানবা খোঙথাং কয়া থৱাই য়াওনা পাংথোক্তুনা লাক্লি।

### মাইক্রোফাইনান্সকী লমদা এস.দি.বি.আই.

এস.দি.বি.আই.না মাইক্রোফাইনান্স ইহৌ অসিবু শৌগৎপগী খুখাংদা শেল থুমগী হীরম খুদিংবু মনুং চনবা পান্দম অমা ফংনবা থবক কয়া পাংথোকপদা লময়ানবা ওইদুনা লাক্লি। মাইক্রোফাইনান্সকী মখাদা, বেঙ্ক অসিনা এম.এফ.আই. ১০০ হেনবদা মার্চ ২০২০ ফাওবগী মনুংদা লুপা করোর ১৯,৮৭১গী চাউরাকপা শেনফম থাদখি। এম.এফ.আই.দা পীরিবা দেৎ অমসুং ইক্বিতীগী তেংবাং অসিবু মসিগী ইন্সতিত্যুসনশিং অসিদা কেপাসিতী বিলদিং তৌবগী তেংবাংবগী থৌওংশিংনা হেন্না নীংথিজনা তেংবাংলি। মসিদা নত্তনা, মাইক্রোফাইনান্স ইন্দস্ত্রীনা হৌরকপদা শোন্না লৈরম্বদগী হৌজিক্তি  মপুং ফাবা ইন্দস্ত্রী অমা ওইহনবদসু তেংবাংলি। মাইক্রো লেন্দিংগী মতাংদা মশক থোকপা খোঙথাং নমা পায়খিৎবা অদুদি অপিকপা লোনশিংবু মার্কেত্তা চৎনরিবা ইন্তরেস্তকী চাং অসিদগী য়াম্না নেমহন্দুনা এস.দি.বি.আই.দগী হকথেংননা ফংহনখিবা অসিনি। মসিগী প্রয়াস হায়না মিংথোনবা খোঙথাং অসিগী মখাদা, বেঙ্ক অসিনা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্তা লৈবা শেল পুবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ০.৫০দগী লাখ ৫ ফাওবগী তিকেৎকী অচৌবা লোনশিং পীরি।

### ইকুইফেক্সকী ৱারোল খরা

ইকুইফেক্স অসি মালেমগী ইনফোর্মেসন সোল্যুসন কম্পেনী অমনি অমসুং মসিনা থাজনীংঙাই ওইবা তোপ তোপ্পা দেতা, য়েংশিনবগী অনৌবা থৌওং, তেক্নোলোজী শিজিন্নদুনা মালেম শিনবা থুংনা লৈরিবা লুপশিংবু মপাঙ্গল লৈহল্লি।

এতলান্তা, জি.এ.দা ময়াই লোইশঙ লৈবা, ইকুইফেক্স অসিনা অৱাং-অমেরিকা, ময়াই অমসুং খা অমেরিকা, য়ুরোপ অমসুং এসিয়া পেসিফিক্কী মফমশিংগী লৈবাক ২৮দা থবক তৌই। মসিনা স্তেন্দর্দ অমসুং পোর (এস. অমসুং পি.) ৫০০® ইন্দেক্সকী মেম্বরসু ওই  অমসুং মসিগী কম্মন স্তোক অসি ই.এফ.এক্স. সীম্বোলগী মখাদা ন্যু য়োর্ক স্তোক এক্সচেঞ্জ (এন.ৱাই.এস.ই.)দা ত্রেদ তৌই। কম্পেনী অসিনা মালেম শিনবা থুংনা মীওই ১১,০০০ থবক শুনবা থম্মি।  ক্রেদিৎ ইন্দস্ত্রীদা চহি ১২০গী পুৱারী লৈরবা কম্পেনী অসিনা ইং ২০১০দা ভারতকী মার্কেত্তা চঙলকখি অমসুং মসিনা সি.আই.সি. অমা ওইনা থবক তৌনবা আর.বি.আই.না লাইসেন্স পীখি। হৌখিবা চহি ৯ অসিদা, ক্রেদিৎ ব্যুরো অসিনা বেঙ্ক, এন.বি.এফ.সি., এম.এফ.আই. অমসুং ইন্স্যুরর কয়া য়াওনা ৪০০০+ মেম্বর লৈবা ঙমখ্রে। মসিনা ইং ২০১৪দা এনালাইতিক্স ফর্ম অমবুসু লৌশিন্দুনা ভারত্তা হেন্না পাকথোক চাউথোকখি। ইকুইফেক্স এনালাইতিক্স প্রাইভেৎ লিমিতেদ অসি ইকুইফেক্সনা মপুং ওইনা মপু ওইবা ভারত্তা লৈবা এনালাইতিক্স এন্তাইতী অমনি অমসুং মসিনা মীয়ামগা মান্নদবা এনালাইতিক্সকী ৱারোইশিন পীদুনা কারবার অমসুং মসিগী কস্তমরশিংগী থবক থৌরমশিংবু হেন্না নুংঙাইহল্লি।


**দিসক্লেমর**

মাইক্রোফাইনান্স পল্স (পাউদম) অসি ইকুইফেক্স ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন সর্ভিস প্রাইভেৎ লিমিতেদ (ইকুইফেক্স)না শেম শাবনি। পাউজেল অসিবু য়েংশিন্দুনা অমসুং শিজিন্নদুনা, যুজরশিংনা মসিবু শিজিন্নবা অসি দিস্ক্লেমর অসিগী মখা পোনবনি হায়না খঙগনি। মসিগী পাউজেল অসি মাইক্রোফাইনেন্স ইন্সতিত্যুসনশিংনা সেপ্তেম্বর ২০২০ ফাওবগী মনুংদা পীরকপা ই-পাউশিংদা যুক্ষম ওইবনি। ইকুইফেক্সনা মসিগী পাউজেল অসি শেম্বদা য়াম্না চেকশিন্না হোৎনখ্রবসু, মাইক্রোফাইনান্স ইন্সতিত্যুসনশিংনা পীরকপা অরানবা অমসুং লোইশিন্দবা ই-পাউশিংগী দাইত্য লৌবদি ঙম্লোই। মখা তাবা ওইনা, মসিগী রীপোর্ত অসিদা য়াওরিবা ই-পাউশিং অসি লোইনা চুম্মি হায়বগী গেরেন্তী লৌরোই। মসিগী পাউদম অসি হায়জরকপা মখল অমতবু চুম্মি/লাল্লি হায়না লৌবা নত্তে। মসিগী পাউদম অসিদা য়াওরিবা ই-পাউ অসিনা কনাগুম্বা অমতদা পাউতাক পীবা নত্ত্রগা মসিগী ই-পাউশিং অসি ৱারেপ অমা লৌবা মতমদা শিজিন্নগদবনি হায়বা লৈতে। মসিগী রীপোর্ত অসিবু শিজিন্নবা অসি ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনী (রীগুল্যেসন) এক্ত, ২০০৫, ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ রেগুল্যেসন, ২০০৬, ক্রেদিৎ ইনফোর্মেসন কম্পেনীজ  রুলস, ২০০৬কী কাঙলোনগী মখাদনি। মসিগী রীপোর্ত অসিগী শরুক অমত্তা অয়াবা য়াওদনা শিজিন্নবা, নম্থোকপা য়ারোই।

## CONTACT DETAILS

Equifax Credit Information Services Private Limited

**Unit No. 931, 3rd Floor, Building No. 9,**
**Solitaire Corporate Park, Andheri Ghatkopar Link Road,**
**Andheri (East), Mumbai - 400 093**

**Toll Free No.: 1800 2093247**
ecissupport@equifax.com

Small Industries Development Bank of India

**Swavalamban Bhavan, Plot No. C-11, 'G' Block,**
**Bandra Kurla Complex, Bandra (East),**
**Mumbai - 400 051 Maharashtra**

**Toll Free No.: 1800 226753**
**www.sidbi.in/en**

Copyright © 2021, Equifax Inc., Atlanta, Georgia. All rights reserved. Equifax is a registered trademarks of Equifax Inc.